ইন্টর্ভিয়ু পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শোথরবা মহৈরোয়শিংদা অখন্নবা পীবা স্কোলারশিপ ২০১৯-২০ গী ওইনা ওনলাইনদা এপ্লাই তৌখ্রবশিংনা ইন্টর্ভিয়ু য়াওরবা য়াগনি হায়না পি এফ আই মণিপুর ষ্টেটকী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অরিবশিংগী ওইনা থা অসিগী ২৭, অনৌবশিংগী ওইনা থা অসিগী ২৯ গী অয়ুক পুং ৭ তগী লিলোং লমখায় মসজিদ রোদতা লৈবা পোপ্যুলর ফ্রন্ট ষ্টেট ওফিসতা পাঙথোক্লগনি। মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ওরিজিনেল দোক্যুমেন্ট পীবীরকউ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অথিংবা থল্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): সোসল এন্দ ইকনমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সেদো) গী এগজিক্যুটিভ বোদি ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ৮ দা ফমদুনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না য়াইরিপোক বজার অমদি সেদোনা কোনবা মফমশিংদা মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি চাবা খুদিংমক অথিংবা থল্লে হায়না সেদোগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অৱাবা ফোংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরি ওইরম্বা পোৎশংবম অচৌবনা থা অসিগী ৪ দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে হায়না একাদেমী অসিগী সেক্রেটরি এল কিশ্বরজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈখিদ্রবা অচৌবা একাদেমী অসিগী কুমজা ১৯৯৮ তগী ২০০২ ফাওবা সেক্রেটরি ওইরম্মী। সেক্রেটরি ওইরিঙৈদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট অমদি প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলম্মী। মহাক্না লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্লি। মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্না লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মপোক কুমওন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): খগেন্দ্রজিৎ রিছার্স কম্মিটি ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোল, ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লাইখুরাম খগেন্দ্রজিৎ ফ্রীদম ফাইটরগী ১৩৫ শুবা বার্থ এন্নিভর্সরি থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি জেনরেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

প্রসিদেন্ট খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): জোন থ্রী থৌবালগী মখাদা লৈবা ওজাশিংগী মীফম অমা থা অসিগী ৫ দা অথোকপম জুনিয়র হায় স্কুলদা পাঙথোক্তুনা এমেষ্টা থৌবালগী হাংদুনা লৈরিবা ফমগী মতাংদা খন্নরবা মতুংদা এল নোরেন্দ্রবু প্রসিদেন্ট, এম প্রিয়োকুমারবু পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে হায়না এমেষ্টা জোন থ্রীগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি প্রিয়োকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈঙাক অসিনা সেবেন আর ও পিগী মহৎতা পে স্কেল অমদি গ্রেদ পে হন্থহল্লগা মঙাশুবা পে ষ্ট্রকচর ওইনা ওজাশিংদা পীরকপদা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে। লৈঙাক্কী মীনুংশি লৈতবা থৌওং অসিনা ওজাশিংগী ষ্টেটসতা চাউনা শোকহল্লে। ওজাশিংগী ষ্টেটস কঞ্জনবগীদমক কোটানা লৌরকপা ফিরেপ খুদিংমক জোন থ্রী থৌবালগী ওজাশিংনা মতেং পাংনবা ৱারেপ লৌখ্রে। ওজাশিংগী ষ্টেটস কনবীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লি হায়নসু মখা তারি।

য়ু এন এল এফ ১ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): সী দি ও থৌবাল অমদি ২৬ শুবা এ আরগী কম্বাইন্দ টিম অমনা ঙরাং থৌবাল এরিয়াদা থি-হুম্বগী থবক চথবদা য়ু এন এল এফকী এক্টিভ মেম্বর অমা ফারে হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও, দল্লিয়ু বাসুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফারবা মীওই অদুদি, কৈশাম নোরেন্দ্রো এলিয়স য়েংখোইবা (৩৬), অপোকপা লৈখিদ্রবা কে অচৌ, য়াইরিপোক মালোম মনিং লৈকায়দগীনি। মহাক থৌবাল ৱাংমাতাবা পার্কিং মনাক্তগী ফাবনি। থৌবাল পুলিসতা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

য়েলহৌমী কন্নবা সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহৌদ্রবদি ঙাকচনবা লম্বী লৈতে : এইমস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুরদা মশিং খঙদনা নোংম-নোংমগী চঙশিল্লক্লিবা মীতোপ-মীয়ানচাশিংগী মখুৎতগী য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবা হোৎনবদা সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহৌদ্রবদি ঙাক্লবা লম্বী লৈতে হায়না অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিংলূপ (এইমস) কী ভাইস প্রসিদেন্ট সাইখোম প্রেমচান্দনা ফোংদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা এইমসকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা সাইখোম প্রেমচান্দনা হায়খি, মশিং য়ামদ্রবা য়েলহৌমীশিংবু কঞ্জনবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চনবা হায়বা অসিনি। মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চন্দ্রবা য়াদ্রবা তাঙ্কক অদু লাক্লে। ইন্দিয়াগী সেন্সস রেকোর্দতা মণিপুর হায়বসি ফোরেষ্ট ত্রাইবশিংগী মনুংদা অমনি হায়বা য়াওরি। বৃটিশনা লোয়লম চল্লিঙৈ কুমজা ১৯৩১ গী সেন্সসতা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইবতা চলহল্লম্বনা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তীল্লবা মতুং কুমজা ১৯৫০ গী সেন্সসতা সেদ্যুল ত্রাইবতা য়াওফম থোকই।

করিগীদমক এস টি লিষ্টতা য়াওখিদবনো হায়বসি মতমদুদা মীতৈশিং মীতৈ/মৈতৈ হিন্দু লাইনিং লৌরকপগী অকনবা শাফু লৈবনা খুন্নাইগী ওইবা ইথিল কনখিবদগী য়াওরমদবনি। জেনরেল কাঙলুপতা লৈখিবগী ৱাফম লৈরিবনি। মতমদুদা ইশানা ইশাবু কাউথোকচদুনা মীতৈদি আর্য্যনি হায়না খঞ্জখি। মসি পুম্নমক্কী মহৈদি হৌজিক্কী মীরোলনা ফংলি। মীতৈ/মৈতৈনা য়েলহৌমীনি হায়জরবসু এস টি লিষ্টতা য়াওহৌদবা মরম্না ৱাহন্থোক লৈত্রে। অদুনা ঙাক্লৌ ফংদনা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুং শাংলবা চহী ৭৩ ফীভম অসিদা লৈরি।

মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চল্লবদি হান্না চৎনদুনা লৈরবা ত্রাইবশিংনা মখোয়গী চাকথুং মুনখ্নগনি হায়বগী পাখৎপা লৈতবসু নত্তে। য়ুম্লোন্নরিবা অসাম অমসুং নাগালেন্দ ষ্টেটতা তৌবগুম কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৬ (৪) গী মখাদা হিল ত্রাইব, প্লেন ত্রাইব হায়না লৈরি। মখোয়গী চাকথুং তোঙান তোঙান্না থল্লিবা অসিগুম্না মণিপুরদসু খাইদোকপা য়াই। মীতৈ/মৈতৈবু অথুবা মতমদা সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহন্দুনা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনদা মণিপুরগী য়েলহৌমী কাঙলুপ ওইনা শকখঙহনবীয়ু। মীতৈ/মৈতৈবু মুৎখিদনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা মতম ওইরে। মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নরসি। সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা এইমসনা শরুক য়াগনি। মহৈরোয় লূপ অমনা য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনবদা লৌফম থোকপা থৌদাং লৌগনি হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

ৱারী লীবা ফেষ্টিভেল ২০১৯ পাঙথোক্লগনি, এৱার্দ য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা রেপর্টরি ওফ ৱারী লীবা মণিপুর হেদ ওফিস খুরাই চাইথবী লৈরক্লা রাইজিং য়ুথ ওর্গনাইজেসন, মোইরাংখোমগা খুৎশম্নদুনা ৫ রকশুবা গুরু ঙাশেপ্পম তোম্বী মেমোরিএল ৱারী লীবা ফেষ্টিভেল ২০১৯ থা অসিগী ১৫ দগী ১৯ ফাওবা মোইরাংখোমগী ভক্ত আশ্রম গ্রাউন্দ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না রেপর্টরি অসিগী দিরেক্টর শ্যামকহ্নাইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেলর বোবি ৱাইখোমনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা ফেষ্টিভেল অসি হৌদোক্কনি। অহৌবা নুমীৎতা ৱারী লীবা গুরু ওক্রম বারুনি, পুখাও (৯১), গুরু হাওবিজম অমুতোম্বী, শুনুসিফাই (৮৭) অমসুং গুরু সলাম ঈশৈহনবা, হিয়াংলম (৮৫) না অহুম ফন্বী ৱারী ফাইবোক লীগনি। মহাভারতকী মঙাশুবা পর্ব উদিয়োক পর্বদগী পরিং নাইনা লীদুনা চথগদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী খনগৎলবা ৱারী লীবা আর্টিষ্ট ১০ না শরুক য়াগনি।

মখোয়শিং অদুদি, পোইরৌখোংজিন য়াইরিপোক্তগী কোন্থৌজম সঞ্জিৎ, থৌবাল লৈশাংথেমদগী লৈশাংথেম ইবোতোম্বা, হিয়াংলমদগী লুক্রাম ধনঞ্জয়, য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দগী শামুলাইলাৎপম কুঞ্জবিহারী, খুরাই চাইথবী লৈরক্তগী তখেল্লম্বম শ্যামহক্লাই, কৈনৌদগী তখেল্লম্বম ভিম অমদি কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী কোন্থৌজম কুঞ্জোনি।

এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা লোইশিনবা নুমীৎকী থৌরমদা ৱারী লীবগী এৱার্দশিং য়েন্থোক্কনি। সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দগী তখেল্লম্বম ইরাবোতনা কৎপা ককচিংতাবম ব্রজমনি য়ং টেলেন্ট ৱারী লীবা এৱার্দ ২০১৯ চহী অসিগী ওইনা নহা ওইরিবা ৱারী লীবা কোন্থৌজম সঞ্জিৎ, পোইরৌখোংজিন অমসুং ওইনাম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মুতুম ইবোয়াইমদা পীরগনি। ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবা খোমদ্রাম সুরেন্দ্রনা মহাক্কী অপোকপগী মিংদা কৎচবা খোমদ্রাম নিল্লো সিংহ মেমোরিএল ৱারী লীবা এৱার্দ ২০১৯ না ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম অৱাং লৈকায়দা লৈবা ৱারী লীবগী শক্লাইরবা গুরু সলাম ঈশৈহনবদা লান্থোক্লগনি। মনাশিং অসিদা শেল ওইনা লুপা ৫,০০০, সাইটেসন অমসুং সোল অমমম য়াওগনি। রেপর্টরিনা মণিপুরগী ৱারী লীবগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা পীজবা চহী ৭০ গী মথক্তা লৈরবা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পেন্সন ফংদ্রিবা অহল ওইরবা ৱারী লীবা ৯ দসু লাইফ টাইম পেন্সন অহুল্লকশুবা ওইনা য়েন্থোকচগনি। নুমীৎতুদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী এৱার্দ ফংলবা গুরু অনী কোন্থৌজম কুঞ্জো, কোংবা, লাইখুরাম মনি, কোংপাল অমদি য়ং টেলেন্ট এৱার্দ ফংখ্রবা পুখাওদগী সেঞ্জম ননাওফুল্লোবুসু অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা হরাও তরাম্না ওক্কনি।

থৌরম অসিদা লমদমসিগী শক্লাইরবা ৱারী লীবগী ওজা কয়াসু শরুক য়াগনি। ওজা কয়াবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসিগী অহৌবা নুমীৎতা লমদমসিগী শক্লাইরবা ওজা অহুম্না অহুম ফন্বী ৱারী ফাইবোক লীগনি। তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী খনগৎলবা ৱারী লীবা আর্টিষ্ট তরানা শরুক য়াগদৌরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ঈশৈ চাংদম্নবা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বর চেরিটেবল ট্রষ্টনা শীন্দুনা পাউরৌ পাউতাক্তা য়ুম্ফম ওইবা মণিপুর ষ্টেট ওপন সোং কম্পিটিসন অমা চহী অসিগী ওক্টোবর ১৪ দা এল জি রোজ গার্দেন, য়ুরেম্বমদা পাঙথোক্লগনি হায়না ট্রষ্ট অসিগী সেক্রেটরি কোংখাম বীরকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কম্পিটিসন অসি পদ্মশ্রী লাইশ্রম নবকিশ্বরনা ইবা চুম্মী হায়না লৌবিবরা? লাল্লি হায়না লৌবিবরা? হায়বা লাইরিক্তগী লৌথোক্লগা শকপা ঈশৈ ওইগদবনি। কম্পিটিসন অসি পদ্মশ্রী এল নবকিশ্বরগী চহী ৮১ শুরকপা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবনি। কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম, প্রদিপ মেদিকেল ষ্টোর, শীংজমৈ চীংঙা মখোঙ চোংথাম লৈকায়- ৭০০৫২২৮৪৩৫ নৎত্রগা কোংখাম বীরকুমার, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় ৭০০৫৩১৬১৬৪ দগী ফংবীগনি। ঈশৈ কম্পিটিসন অসিগী অহানবা মনাদা লুপা ১০,০০০, অনীশুবদা লুপা ৭,০০০, অহুমশুবদা ৪,০০০, মরিশুবদগী তরাশুবা ফাওবদা লুপা ১০০০ ওইগনি। কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম চহী অসিগী ওক্টোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীরক্কদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লময়ানবা ইরাবত শৈথাবা ঈশৈ চাংদম্নবা পাঙথোক্লগনি : এ আই ৱাই এফ, এম এস সী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): লময়ানবা ইরাবত শৈথাবা ঈশৈ ময়েক অমসুং ঈশৈ চাংদম্নবা লোয়ননা ঈ কৎপগী এৱ্রেয়ার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি হায়না ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল (এ আই ৱাই এফ, এম এস সী) গী প্রোগ্রাম কনভিনর কে ভিক্টরনা ফোংদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনদা পাউমীশিংগা উনবদা কে ভিক্টরনা হায়খি, ঈশৈ ময়েক ইবা চাংদম্নবগী অথোই-অহেনগী মনা সেপ্টেম্বর ২৪দা জে এন এম দি এগী হোলদা য়েন্থোক্কনি। শৈথা ঈশৈ চাংদম্নবগীসু য়েন্থোক্কনি। চাংদম্নবদা য়াওনিংবশিংনা ঈশৈ ময়েক্কী ওইনা সেপ্টেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা ওইগনি। শৈথা ঈশৈ চাংদম্নবগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা সেপ্টেম্বর ১৮ ওইগনি। সেপ্টেম্বর ২৬ লময়ানবা ইরাবতনা লৈখিদবা নুমীৎ অসিদা জেনিমসতা ঈ কৎপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। ইরাবতনা মীয়ামগী লৌরম্বা থৌদাং নীংশিংবা এৱ্রেয়ার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি। থৌরমশিং অসি ইরাবতকী থাবুম অমা চুপ্না পাঙথোকপগী মনুং চন্না পাঙথোকপা থৌরমশিংনি।

শৈথা ঈশৈ চাংদম্নবা অসি জুনিয়র অমসুং সিনিয়র হায়না খায়দোকই। জুনিয়রনা ক্লাস আইটকী মনুংদা লৈবগা লোয়ননা চহী ১৩ গী মখা ওইগদবনি। সিনিয়রনা ক্লাস নাইনগী মথক ওইগদবনি। চহী ১৩ গী মথক্তা লৈবশিংনা য়াওবা য়াগনি। ঈশৈগী স্ক্রিনিং সেপ্টেম্বর ২০ দা ওইগনি। ঈশৈ ময়েক চাংদম্নবগী রিজল্ট সেপ্টেম্বর ২২ দা লাউথোক্কনি। লময়ানবা ইরাবত অসি এ আই ৱাই এফ, এম এস সী খক্তগী নত্তে। মণিপুর মীয়ামগী লুচিংবা অমনি। মীয়াম্না লৌশিং পাঙ্গল অমসুং শেলগী অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু। ইরাবতকী ৱাখল্লোনশিংবু নীংশিংমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

কায়না লাইফম অসি মীয়াম্না খুরুম্বা য়াবা মফমনি : কুঞ্জরাজ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী কায়না লাইফম অসি ভৈগ্যচন্দ্র নিংথৌগী মতমদগী শাফোংলবা লাইফমনি। মালেমদা লৈরিবা মীয়াম্না খুরুম্বা য়াবা মফমনি হায়না কায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন ওর্গনাইজেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল কুঞ্জরাজনা ফোংদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা কায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন ওর্গনাইজেসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল কুঞ্জরাজনা হায়খি, কায়নাদা লৈরিবা গোবিন্দ অসি শাগৈগী লাইনি হায়বা মীনা য়ারোইদবা অমনি। নিংথৌরোল কয়াদগী লাই ওইদুনা লাক্লবনি। মসিদা অমুক থিংবা, অমুক হাংবা য়াদে। শাগৈ অমখক্কী লাই ওইনা লৌদুনা উহনবা অসিসু লাইবক থীবনি। নিংথৌরোল কয়াদগী লাৎলক্লবা লাই ওইবা মরম্না প্রোটেক্টেদ এরিয়ানি হায়না টুরিজমনসু শেমগৎ-শাগৎপা হৌরক্লবনি। লাইফম অসিদা তৌফম থোক্তবা য়ুম মাঙলবসু লাই সেবা হেক্তা তৌশিনবা চুমদে। লাইফম অসিদা শারিবা ফুরা অসি প্রোটেক্টেদ এরিয়াগী মনুংদা লৈফম থোক্তবা অমসুনি। মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমগী মখাদা অনৌবা মন্দির অমসু শাগৎপীরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

প্রোফেসর থোইদিংজম তোম্বী তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ললিত কলা একাদেমী এৱার্দী ওইরিবা মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর থোইদিংজম তোম্বীনা মালেমগী থাক্তা মমিং চৎলবা দুবাই, য়ু কে, ফ্রান্স, রোমনচিংবদা লৈবা মূর্ত্তি অমদি চিত্রকলাগী মরমদা থিজিল্লুববু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী হোলদা পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর কাংজম ইবোহলনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

পরিষদ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এলাংবম প্রিয়োবর্ত্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিদা প্রোফেসর থোইদিংজম তোম্বীনা থেংনরকপা, নৈনরকপা কয়াদুগী একাদেমীক ওইবা পাউদম তমখি। লমদমশিং অদুদা চৎনহৌরিবা লোনচৎ, চাকচা য়ুথক, পুন্সি মহিং কয়াগী মরমদসু মচা তানা তাকখি। ঐখোয়গী চৎনবী ঙাক্লা চাউখৎপগী মমি তানা হিংমিন্নবগী অপাম্বা ফোংদোকখি। মূর্ত্তি অমদি চিত্রকলাগী লমদা নৌনা খোংদারক্লিবা অমসুং হৌজিক হৌজিক কলা অসিবু মায়পুনরিবা মীওইশিং লমদমশিংদুদা চৎলগা মখোয়না য়েক্লিবা লাই অমদি শারিবা মূর্ত্তিশিং লোয়ননা ফ্রান্সকী মোনালিসাগী অয়েকপা লাইগী শক্তম অদু য়েংহন্নিংবগী অপাম্বসু থমখি। হৌগৎলক্লিবা নহা অমদি মায়পুনরিবা কয়াদা ৱাখল লৌশিং পীখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সাইন ওফ দে চৎননবা লেপ্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিং থা অসিগী ৭ তা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা থা ১ গী অরোইবা নোংমাইজিংদা সাইন ওফ দে হায়না চৎনরম্বা অদু অমুক হন্না চৎনহন্নবা লেপ্নখ্রে হায়না ফোরম অসিগী চ্যেরমেন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা ১ গী অরোইবা নোংমাইজিং অসি সাইন ওফ দে হায়না চৎনরমখি। নুমীৎ অসিদা ফিল্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং লেপ্পনি। অদুবু মতম খরা মসি চৎনদনা লৈরুরে। থা অসিগী ৭ তা শঙ্কর টোকিজদা লৈবা ফোরমগী ওফিসতা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিং পাঙথোকপগা লোয়ননা সাইন ওফ দে চৎনহন্নবা লেপ্নখ্রে। থা অসিগী ৯ দগী চৎনবা হৌরগনি। সাইন ওফ দেদা ফিল্ম ফোরমগী কনষ্টিট্যুএন্ট গিল্ডকী মেম্বরশিংনা পুন্দুনা সোসল ৱার্ক তৌবা, দিস্কসন তৌবনচিংবা কয়া চথগনি। ফিল্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং ফিল্ম নম্বনচিংবা তৌরোই। নুমীৎ অসিদা ফিল্মগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং তৌরোইদবনি। থা অসিগী অরোইবা নোংমাইজিং নুমীৎকী নুংথিল পুং ২ তাবদা শঙ্কর টোকিজদা লৈবা এফ এফ এমগী ওফিসতা মেম্বরশিং পুন্দুনা মণিপুর ফিল্ম ইন্দষ্টিজগী মতাংদা অমদি হিরম কয়াদা খন্ন-নৈনগনি। মসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

‘উৎতা ঘী হৈবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): লংথবাল লেব লৌকোল অসি ঈশিং চিংদুনা হোৎনরকপনি। সোসল ৱার্করনি হায়বা অমনা ইঞ্জিন অমা পীরে হায়দুনা তৌরিবা থবক অসি উৎতা ঘী হৈনবনি হায়না নাওরিয়া পাখংলাকপা মন্দলগী ভি পি এস কুল্লানা ফোংদোকখ্রে।

লংথবাল লেবকী মীওই কয়া য়াওনা লৌকোল অসি য়েংশিনবদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। কুল্লানা হায়খিবদা, মীয়ামগী থবক তৌগে হায়রবদি থম্মোয় শেংনা তৌবীয়ু। অদুবু মী হুল্লগা ঙাংবা, মীনা তৌরিবা থবক্তা উৎতা ঘী হৈবদি তৌবীগনু হায়খি।

সোসল য়ুনিয়ন নাসসেন্ট ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি তেনেসননা ফোংদোকখিবদা, মোংশাঙ্গৈ লৌকোলদা নোং তাদবদগী লৌ উবা য়ারোইদ্রা খনবনি। অদুবু এম এল এদা হায়রুবদগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা হায়দুনা পাইপ পীদুনা অমদি হার পীদুনা হোৎনবদগী অফবা লৌকোল ওইরে হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

চুঙমলিয়ু রিয়ামৈ মীশিগী মতাংদা দিমান্দ ফংদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : জে এ সী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): চুঙমলিয়ু রিয়ামৈ মীশিংগী মতাংদা তাল্লিবা দিমান্দশিং ফংদ্রবদি থা অসিগী ২০ দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট মিষ্টিরিয়স দেথ ওফ রিয়ামৈ চুঙমলিয়ুগী কনভিনর পন্তি গোলমৈনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোংদোকখ্রে।

লাঙ্গোল তরুং ভিলেজ কম্যুনিটি হোলদা পাউমীশিংগা উনবদা পন্তি গোলমৈনা হায়খি, চুঙমলিয়ু রিয়ামৈ মীশিগী কেস অথুবদা সী বি আইদা শিন্নগদবনি। মীশি অসিগা মরী লৈনবা ঈহৌদা শোকখিবশিংগী কম্পেন্সেসন পীগদবনি। চেন্নবশিং টর্মিনেট তৌগদবনি। হায়রিবা দিমান্দশিং পীদ্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি।

চুঙমলিয়ুগী মপুরোইবা জেলদা লৈখ্রে। জে এ সী অমদি লৈঙাক্কী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্ত্রি। অথুবদা সী বি আইদা শিন্নগদবনি। ওগষ্ট ২২ দা মীশি অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম পীশিন্নবা অমদি রেল্লি চৎনবা হোৎনবদা পুলিসনা ৱার্নিং তৌদনা টিয়ার গ্যাস কাপশিন দুনা মীওই ১৫ অশোক-অপন নংহনখি। মসিগী কম্পেন্সেসন পীগদবনি। মরাল লৈবা পুলিস সস্পেন্দ তৌগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

গাড়ী ৩৮৪৯ ফাগৎতুনা ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ট্রাফিক কন্ট্রোল ৱিং ইম্ফাল সিটিনা চহী অসিগী ওগষ্ট ২১ দগী থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল সিটি এরিয়াদা হেলমেট য়াওদনা গাড়ী থৌবা, চে-চাং শুদনা গাড়ী থৌবা, চহী শুদনা গাড়ী থৌবনচিংবা য়েংশিনবগী দ্রাইব চথবদা মোটোর ভেহিকল এক্টকী মতুংইন্না গাড়ী ৩৮৪৯ রোম ফাদুনা কেস পায়খৎপগা লোয়ননা লুপা ৪,৪১,২০০ রোম ফাইন ওইনা থিহনখ্রে হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ওনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কেস পায়খৎখিবা অসি চাকা অনী পানবা গাড়ীদা ২৫০০, চাকা অহুম পাবদা ৮০৬ অমদি চাকা মরি পানবদা ৫৪৩ নি হায়রি।

মপোক কুমওন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): নেতা সঙ্গীত একাদেমী এন্দ রিছার্স সেন্টর য়াইস্কুলগী ২৬ লকশুবা মপোক কুমওন থা অসিগী ১২ দা জন্মস্থান কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি শান্তিকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, একাদেমী অসিনা চহী খুদিংগী কৎপা নিংথৌজম অঙাংয়াইমা নীংশিং মনা কুমশি চহীগী ওইনা সঙ্কীর্ত্তনগী লমদা কথোক্তুনা লাক্লবা থৌদাম য়াইস্কুল, শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়দা লৈবা ওজা অসিদা পীরগনি। কুমজা ২০০৮ কী সঙ্গীত নাটক এৱার্দ ফংলকখ্রবী ইমা অখাম লম্মী অমদি হৈস্নাম অশংবীবু হরাও তরাম্না ওকপগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। একাদেমী অসিগী মহৈরোয়শিংনা পাঙথোকপা তাল ফাংনবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। নুমীৎ অসিদা বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা তৌবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মীংচন শেল পীশিনবীয়ু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস): হয়িং খোংবান উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী শঙলেন্দা অমাই-পিবা অপূল্লুপ কংলৈপাক কৌবা লূপ অমা শেম্বদা য়াওখিবা লুপলোয়শিংগী মনুংদা মীংচন চেদি পীশিনখ্রগা মীংচন শেল পীশিনহৌদ্রবশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীয়ু হায়না অপাল কংলৈপাক্কী থৌবুরেল ৱাফোংবা কিরনকুমার ময়াংলম্বমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌপু লুপলোয়শিংগা পাউ ফাওনরগা হয়িং খোংবান উখোং য়ুম্ফম লাইনিংথৌ সনামহীগী শঙলেন্দা লাক্তুনা অপাল কংলৈপাক্কী প্রসিদেন্ট সলাম মনি অমদি কোন্সম জিতেন সেক্রেটরি অনীগী ফোন নম্বর ৯৮৬২১৬৮২৫৭, ৯৮৫৬৭৭৬৫৮৮ দা অকুপ্পা মরোল খঙদুনা মীংচন শেল পীশিনবীয়ু। অমাই-পিবাগী থৌ পুবা অনৌবা লুপলোয় ওইনিংবা লৈরগসু ফোটো কোপি অনীগা মীংচন শেলগা লোয়ননা অমাই-পিবা লুপলোয় ওইবীয়ু। আইদেন্টিটি কার্দসু শেম্বীয়ু। চহী অসিগী ওগষ্ট ২৫ দা হয়িং খোংবান উখোঙ য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহীগী শঙলেন্দা অমাই-পিবা অপূনলুপ কংলৈপাক (অপাল) কংলৈপাক কৌবা লূপ অসি শেম্বদা য়াওখিবা লুপলোয়শিংনা মীংচন শেল পীশিনহৌদবা য়াওরবদি পীশিনবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/3944/21/7-20/8

3RD STATE LEVEL TALENT SEARCH SCHOLARSHIP COMPETITIVE EXAMINATION - 2019 (CLASS I TO X)

ORGANISED BY: EDUCITY

Sagolband Tera Tongbram Leikai, Near Oriental College Imphal-795001

Examination Fee Rs. 380/-
Last Date of Submission: 16th October, 2019
Class I to V Sub : Math, English Gram., Science
Class VI to X Sub : Math, Eng. Gram., Science, S.Sc.
Date of Exam: 20th Oct. (Class I–V) & 27th Oct. (Class VI–X) 2019
Timing : 11:00 a.m. to 02:00 p.m.

Marks (Class I to V)

Sub.	F.M.	P.M.
Math	40	20
English	30	15
Science	30	15

Marks (Class VI to X)

Sub.	F.M.	P.M.
Math	40	20
English	20	10
Science	20	10
S.Science	20	10

Prizes

- 1st /2nd/3rd Position holdr of each Class will be awarded with scholarship.
- 1st Position-1,000 x 12 months + Certificate
- 2nd Position-800 x 12 months + Certificate
- 3rd Position-600 x 12 months + Certificate
- 4th to 10th Position-Special Gift + Certificate
- Subject Toppers (4 Subject Separately) 1000 each + Certificate
- Award for the best school will be given to the total nos of 1st Position/2nd/3rd Position holder of the said school.
- Scholarship will be awarded only to the student who passed all the four subject of the competition those candidates who failed in any one of the 4 given subjects will not be qualified for the scholarship even if he/she be for subject toppers in any of the 4 subjects.

* Forms available at all the leading book stores and schools of Manipur.

1. Siroi Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Heemabala Book Store - Canchipur 3. Universal Book Store - Lilong Bazar 4. K.B. Stationery - Wangjing Bazar 5. Mangol Stationery - Kakching Bazar 6. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 7. Boby Book Store - Mayang Imphal 8. M/S Computer - Thongkhong Luxmi Bazar 9. Bross Book Store - Wangoi Bazar 10. Sangai Book Store - Samurou Bazar 11. Prem Book Store - Oinam Bazar 12. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 13. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 14. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 15. Leima Book Store - Nambol Bazar 16. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 17. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 18. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 19. L.K. Book Store - Lamlong Bazar 20. Compact Service - Khoyathong 21. Taurus Stationery RIMS Gate 22. Shila Book Store - Thoubal Bazar 23. Amar Book Store - Khangabok Bazar

HL-B/5658/10,11,12,13

Please Contact: 9612194500